নেচরেল রিসোর্চ মরাং কায়না ফংলিবা মণিপুরদা ষ্টার্ট অপ প্রোগ্রামগী মখাদা অহানবা ফেজতা ইন্টরপ্রেন্যুর ৩৪৪ দা কান্নবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ইন্নোভেসন, ইনকুভেসন এন্দ ষ্টার্ট অপ ৱিথ আইপিআর পোজিবিলিটিস হায়বসিদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চৎথগদবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী লাঙ্গোলদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুরদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপগা ইরোয়ননা নেচরেল রিসোর্চ মরাং কায়না ফংলিবা মণিপুরদা ষ্টার্ট অপ প্রোগ্রামগী মখাদা অহানবা ফেজতা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইন্টরপ্রেন্যুর ৩৪৪ দা কান্নবা পীখ্রে হায়না ইন্নরগী লোক সভাগী এমপি ডাঃ আরকে রঞ্জননা ফোংদোকখ্রে।

নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুরনা শিন্দুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী দাইরেক্তর ডাঃ গৌতম শুত্রধারনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা হৌদোকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা ডাঃ আরকে রঞ্জননা মখা তানা হায়খিবদা মীওইবগী ৱাখল লৌশিং হেঙ্গৎহনসি হায়রবদি মহৈ মশিং নিংথিনা তম্বা তাই। অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা আইআইটি / এনআইটিশিংনসু তুংগী ইনখৎলক্লিবা অফবা নহারোল কয়া পুথোকপদা মতেং ওইরি। মরম অদুনা হৌজিক মণিপুর অমসুং লৈবাক অসিগী ওইরিবা শক্তমশিং অসি য়েংলগা আইআইটি / এনআইটিগী মহৈরোয় অমসুং দাইরেক্তরশিংনসু অফবা নহারোল কয়া পুথোক্লবা এক্সপরিয়েন্স কয়াগা লোয়ননা থৌদাং কয়া লৌহন্নিংই।

ভারত সরকারনা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভমনবা অমদি লাক্লিবা ২০২০ ফাওবদা শেল থুমগী ফিভম ফবা লৈবাক অমা ওইনবা লুপা বিলিয়ন ৫ রোম থল্লি। অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা অখণ্ড অহৈশিংনা লমদম অসিদা ফংলিবা নেচরেল রিসোর্চশিং অসি ফগৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে। হৌজিক চাদা ২৭ রোমগী নেচরেল রিসোর্চশিং অসিনা ইকোনোমি হেঙ্গৎনবা থৌদাং লৌরিবা অসিদগী হেঙ্গৎহনবা চংই। মসিগীদমক রিসোর্চ হেঙ্গৎনবা অতৈ কম্পেনিশিংগা শন্নবা তাই। পোথোক পুথোক্লবদি পোথোক্তু লৈনবা, শিজিন্ননবা মীওই কয়া শোয়দনা থোরক্কনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী আইআইটি, আইআইএম অমসুং এনআইটিশিংনা লৈবাক অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। ঙসি মখোয়না পুথোকপা মখল কয়াগী পোথোক্লা মালেমগী লৈবাক কয়াদা পান্না শিজিন্নরি। লোয়ননা অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুটশিং অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা অফবা এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিংগী মনুংদা অমনি। মসিমক্লা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা আইআইটি / আইআইএম / এনআইটিনচিংবদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা মখোয়গী পোথোক হেঙ্গৎহন্দুনা শেল থুম ফগৎনবা হোৎনরি।

মণিপুরগী ওইনসু এক্ট ইষ্ট পোলিসি লাকপগা ইরোয়ননা করি থৌদাং লৌরগা জিবিদি হেঙ্গৎহনগনি খন্নবা মতম ওইরে। মরম অদুনা ঙসিগী অসিগুম্বা ৱার্কসোপ অসিগা মরি লৈননা লৈবাক অসিগী আইআইটি / আইআইএম / এনআইটিগী মহৈরোয় অমসুং দাইরেক্তরশিংনসু মখোয়গী ওইবা মতশিং ফোংদোক্লদুনা তুংগী মহৈরোয়শিংগীদমক চাওখৎ থৌরাং কয়া পায়খৎহন্নিংই। মতম অমা মহাক্লা এময়ুগী এদমিনিস্ট্রেটরগী থৌদাং লৌরিঙৈদা এটোমিক ইনর্জিগী দাইরেক্তর কয়া লাক্কুনা উন্নখি। মতমদুদা মেঘালয়দা য়ুরানিয়ম কয়া পুথোকখি। মেদিসিনেল ভেল্যু লৈবা পোথোক কয়া পুথোকখি। অদুনা মণিপুরদসু নেচরেল রিসোর্চকী ফংলিবা পোথোকশিং চাওখৎনবা হোৎনমিন্নবা তাই।

হৌখিবা চহি ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা

ঃ ডাঃ রঞ্জন

প্রাইম মিনিষ্টিরিয়েল কেন্দিদেটকী মীখলগী ভোট খোন্বা লাকপা মতমদা মণিপুর অসি নেচরেল রিসোর্চ মরাং কায়না লৈবা লমদমনি হায়না ফোংদোক্লম্বসু লৈখ্রবনি। মরম অদুনা লমদম অসিদা ফংলিবা নেচরেল রিসোর্চশিং অমসুং হার্বেলশিং অসিনা মখল কয়াগী থক্ল চানবগী পোথোক পুথোকপা য়াই। মরম অদুনা আইআইটি / আইআইএম / এনআইটিগী দাইরেক্তরশিংনা লমদমসিদা ফংলিবা নেচরেল রিসোর্চশিং চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। মণিপুর সরকারগীদি লৈবাক অসিগী ওইনা ষ্টার্ট অপ প্রোগ্রাম পায়খৎপগা লোয়ননা মণিপুরদসু প্রোগাম অসিগী মখাদা অহানবা ফেজতা ইন্টরপ্রেন্যুর ৩৪৪ হেনবদা কান্নবা পীখ্রে। অনিশুবা ফেজকী ওইনা ইন্টরপ্রেন্যুর ৩,৯৬০ হেনবনা ফোর্ম থাগৎলকখ্রে। মসিদা নুপী ইন্টরপ্রেন্যুর কয়াসু য়াওরি। তশেংনমক্কি লৈবাক অসিগী ওইনা ইন্টরপ্রেন্যুর ১৮,৮১৩ রোম লৈরি। মরম অদুনা অৱাং নোংপোক লমদা লৈরিবা আইআইটি / আইআইএম / এনআইটিগী দাইরেক্তরশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়খি।

কেনেদিদা খুৎশিন্নখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ ইম্ফাল পাব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কাঞ্চিপুরগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল অশেম কেনেদিদা লেমজনিংঙাই ওইরবা ইন্দিয়ান স্কুল এৱার্দ ২০১৯ ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা বিএমএল মুঞ্জল য়ুনিভর্সিটিদা পাংথোকপা থৌরম অমদা খুৎশিন্নখ্রে। টোপ এদুকেসন রিভোলুস্নরি ওফ দি নেসন হায়বা কেটাগোরিগী মনুং চন্না খনগৎতুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি কেনেদিদা খুৎশিন্নরকখিবনি। এৱার্দ অসি ইন্দিয়াগী শক্লাইরবা এদুকেটর অমসুং এদুকেস্নেল রিভোলুস্নরিশিংনা হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক কথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা পীবনি হায়রি।

সাইন্স সেমিনার পাংথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ মণিপুর সরকারগী স্কুল এদুকেসন দিপার্টমেন্টকী সাইন্স য়ুনিৎনা শিন্দুনা হয়েং ইম্ফালগী জি এম হোলদা তাঙ্কক ২ থোক্লা "পেরিওদিক তেবল ওফ কেমিকেল ইলিমেন্টস ইম্পেক্ট ওন হ্যুমেন ৱেলফেয়ার" হায়বা তোপিক অসিদা ৪১ রক শুবা ষ্টেটকী থাক্তা হায় স্কুল থাক ফাওবগী ওইবা মহৈরোইশিংগী সাইন্স সেমিনার পাংথোক্কনি হায়না সাইন্স য়ুনিৎ অসিগী চেরোল অমনা ফোংদোক্লি।

সাইন্স সেমিনার অসিগী অহানবা তাঙ্কক্লা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দা দিষ্ট্রীক্টকী থাক্তা খনগৎলবা মহৈরোইশিং রেজিষ্ট্রেসন হান্না তৌহল্লগা অয়ুক পুং ১০ দগী ১০.৩০ ফাওবা সাইন্স সবজেক্টকী ওইবা এপ্টিচুদ তেষ্ট পাংথোক্কনি। মখা তানা সেমিনারগী প্রোগ্রাম চৎখরগা জর্জশিংগী ওইবা ৱারোল থমগনি। থৌরম অদুদা দি এম কলেজ ওফ সাইন্সকী থবক্তগী পোখারবা প্রিন্সিপাল গুরুময়ুম তোম্বা শর্ম্মনা চেয়ার লৌগনি। সেমিনার অসিদগী নেস্নেলগী থাক্তা ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা হৈথোই-শিংথোইবা মহৈরোই খনগৎকনি হায়রি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অয়ুক্কী সেসন্দা খনগৎলবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোক্কনি। মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা স্কুল এদুকেসনগী কম্মিস্নার তখেল্লম্বম রঞ্জিৎ আই এ এসনা মীথুংলেন অদুগা দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্তর থোকচোম কিরনকুমারনা থৌরম মপু ওইগনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ভেল্লী দিষ্ট্রীক্ট পুবা এদিস্নেল দাইরেক্তর শ্রীমতি সিঐচ সচীনা সেমিনার শিনবগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা নুংগী ওইবা ৱারোল থমগনি হায়রি।

কাদাগী দ্রাইভতা কোর্সান্তাবীদগী ফাগৎলকখিবা য়ুঙৌ ময়াম অমা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ কোল্লিএসন এগেন্সত দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াইকাবা চিঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চংশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোংজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক ককচিং সোসাইতী মৈরা পায়বী লুপ অমদি কাদা ককচিং দিষ্ট্রীক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা পুন্না চৎখিবা মাস দ্রাইভতা মীওই অমদগী য়ুঙৌ লিটর ৪০ গা কোন্ননা ফাগৎখিবগা লোয়ননা ফাগৎলবা য়ুশিং মীয়াম মাংদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

য়ুগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং লাইফ্রাকপম ওংবী ইবেমচা (৪৫) কৌই হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরী খুন্দোংবম আনন্দগী চেরোল অমনা ফোংদোক্লি। লমদম অসিদা লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ চৎনরবসু হৌখিবা অমদি হৌজিক পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাক্লা এক্ট অসি মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমদবদগী মফম খুদিংমক্তা য়ু মরাং কায়না ফংদুনা নহারোল-অহল্লোন কয়া য়ুগী ইপাক্তা ইরাক্লদুনা লৈবতা নত্তনা ইমুং-মনুং অমদি লৈকায় লৈকায়দা তত্তনা প্রোব্লেম মায়োক্লরে হায়বা ৱাফমসু চেরোল অদুদা পল্লি। লৈঙাক্লা এক্ট অসি খুদক্তা থবক্তা ওন্থোক্তবাতারবদি লমদম অসিগী মীয়ান্না তুংগী মীরোলনা নিশাগী ইপাক্তগী কঞ্জনবা অকনবা ইহৌ অমা হৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

কম্মিটি ৩গী চেয়ারমেন অমমম হাপখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ মণিপুর লেজিস্লেতিভ এসেমব্লীগী তোঙান তোঙানবা ফাইনান্সিএল কম্মিতি ৩ গী নৌনা থবক পুনবা চেয়ারমেন অমমম হাপখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙরাং এসেমব্লী অসিগী সেক্রেটরী শ্রীমতি মুতুম রমনী দেবীনা এসেমব্লী অসিগী রুলস ওফ প্রোসিদ্যুর এন্দ কন্দক্ট ওফ ব্যুজিনেসকী রুল ২৩৬(১) গী মখাদা স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দগী এপ্রুভেল মতুং ইন্না এসেমব্লী সেক্রেটরীএটকী ওইবা নোটিফিকেসন অমা থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অসিগী মখাদা নৌনা চেয়ারমেন ফম থিন্দোক্লবশিং অদুদি কম্মিটি ওন পব্লিক একাওন্টসতা দাঃ চালতোনলিএন অমো, কম্মিটি ওন এষ্টিমেৎসতা কে লৈশিয়ো অমসুং কম্মিটি ওন পব্লিক অন্দর তেকিংসতা সোইবম সুভাশচন্দ্র অসিনি। মসিগী মমাংদা কম্মিটিশিং অসিগী মেম্বরশিং হাপখ্রবনি হায়রি।

ৱার্নিং পীবগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ ইম্ফাল সিতী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিংগী এস পি খোইস্নম সরমা দেবী (এম পি এস) কী অখন্নবা মিৎয়েং মখাদা মমাং থাগী ২১ দগী হৌনা ইম্ফাল সিতী এরিয়াগী মফম কয়াদা পাকশন্না ত্রাফিক রুলস থুগাইবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা দ্রাইভ চৎখদুনা ফাইন থিবা অমসুং ত্রাফিক রুলস থুগাইবা য়ারোই হায়বা ৱার্নিং পীবগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রে।

অখন্নবা দ্রাইভ অসিদা হেলমেৎ উপ্তুনা নত্রগা দরকার ওইবা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী চে-চাং পায়দনা তু হুইলর গারী থৌবশিংগী মথক্তা মোটোর ভেইকল এক্ট, ১৯৮৮ গী মখাদা ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিং ইম্ফাল সিতীনা কেস রেজিস্তর তৌরগা ফাইন থিহনবগী দন্দী পীবা অদুগা চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা জুবেনাইল দ্রাইভর (অঙাং ওইবা চহী শুদবা) শিংদনা মাইনর ওফেন্স অমা ওইনা মতুং-মনাও তৌবা য়ারোই হায়না ৱার্নিং তৌরগা থাদোকপগী এক্সন লৌখি হায়রি। ঙরাং এস পি সরমানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না দ্রাইভ হৌবা নুমিৎ আগষ্ট ২১ দগী পারগা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা আইন কায়না গারী থৌবা তু হুইলর গারী ১৯২, থ্রী হুইলর ৮০৬, ফোর হুইলর ৫৪৩ পুন্না গারী ৩৮৪৯ ফাগৎলগা লুঃ ৪,৪১,২০০ ফাইন তৌখি। অদুগা জুবেনাইল দ্রাইভর ১০৮৩ না ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখা তানা দ্রাইভ চৎখিগনি। অহানবা নুমিৎকী দ্রাইভতা তু হুইলর ৩১১, থ্রী হুইলর ৮৯, ফোর হুইলর ৬৪ পুন্না গারী ৪৬৪ ফাগৎলগা লুঃ! ৫৭,৭০০ ফাইন তৌবা অমদি জুবেনাইল ৭০ ৱার্নিং পীরগা থাদোকপগী রেকোর্দ তৌখি হায়রি।

জিরিবামদা সনাতোম্বী দে কম তিচর্স দেগী থৌরম পাংথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ ঙসি জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়াগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শিন্দুনা আর কে সনাতোম্বী দেবী দে কম দিচর্স দেগী থৌরম পাংথোকখ্রে।

থৌরম অদু জিরিবাম দিষ্ট্রীক্টকী দি সি ময়াংলম্বম রাজকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মৈরা চুখৎলগা হৌদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সনাতোম্বীগী ফোটোদা মীয়াম্না ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা লৈ কৎনখি। স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এস মনিতোননা থৌরম মপু অদুগা জিরিবাম গর্ভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্রিন্সিপাল বিজয়প্রতাপ সিংহ সেখাৱৎ অমদি ৩৭ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টনা অখন্নবা মীথুং ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরীলৈনেনা ৱা ঙাংবদা দি সি রাজকুমারনা, মহৈরোইশিংদা পুক্নিং থৌগৎনবগী মচাক অমা ওইনা মনা পীবগী প্রোগ্রাম অমা হাপচিনবাঅমদি স্কুল অসিনা লিংখৎলকপদগী হৌনা হৌখিবা চহি ১০ অসিগী মনুংদা খুৎমাং চাওশিন্না থবক পায়খৎলকপা উবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়বা ৱাফম থমখি। মহৈরোইশিংনা মায়থিবগী তাঞ্জা অমা লাকপা তারবসু নিংহন্নবা তৌদনা মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি, স্কুল কারিঙৈ মতমদা লাইরিক লাইশু নিংথিনা পাদগবনি অমদি কো-করিকুলর এক্টিভিতীজ খুদিংমক্তা শরুক য়াগদবনি হায়না দি সিনা মখা তানা ফোংদোকখি। তুংদা দি সিনা খনগৎলবা মীওই অমদি মহৈরোইশিংদা চহিশিগী ওইবা এৱার্দ ৭ লাম্লোকখি। এৱার্দ ফংলবশিং অদুদি গভর্নর এৱার্দতা মিস জনাতুন সাহনী অদুগা আর কে সনাতোম্বী দেবী এৱার্দতা বোসেমগী ঐচ এস এল সি পরিক্ষাদা জিরিবামগী ফাষ্ট পোজিসন হোল্ডর অঞ্জলী প্রিয়া মিশ্রা, স্পোর্টস পার্সন (আর্চরী) গী ওইনা সোইবম চিংলেম্বী চনু, আর্টস এন্দ কলচর (পুং) দা মাইস্নম পারী মৈতৈ, ফিজিকেল্লী চেল্লেঞ্জগী ওইনা হামোম বিজিতা দেবী, খ্বাইদগী হেন্না ফবা ওঝা ওইনা চিংঙাখম ধিরেন্দ্র অমসুং স্কুল অসিগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা ওঝা অবুজম মেলোদী দেবী অসিনি।

এলপিজি সিলিন্দর ফ্রেম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ ঃ য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এমএলএ টিঐচ সত্যব্রত সিংহগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন(আইএমসি) গী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী কোর্পোরেটর এল ইনুংঙানবী দেবীগী ময়ুমদা বেনিফিসরি ৩০ দা এলপিজি সিলিন্দর অমসুং ফ্রেমশিং য়েন্থোকখ্রে।

য়াইস্কুল কেন্দ্রগী ৱার্দ নম্বর ১৮ গী এরিয়াদা লৈবা লায়রবা ইমুং ৩০ দা প্রধান মন্ত্রি উজাৱালা য়োজনাগী মখাদা এলপিজি সিলিন্দর অমসুং ফ্রেমশিং অদু কোর্পোরেটর এল ইনুঙাংবী দেবীনা য়েন্থোকখি।

এলপিজি য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱার্দ নম্বর ১৮ গী ৱার্দ মেম্বরশিং আরকে মোনোরোমা দেবী অমসুং এন ইমোচাবী সিংহসু শরুক য়াখি।

ফিল্ম ফোরম্না মহৌশা চৎনরম্বা সিনে ওফ দে অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১০ঃ থা অসিগী ৭ তা পংথোকখিবা ফিল্ম ফোরম,মণিপুরগী ইকজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীফমনা থা খুদিংগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফিল্ম শুতিং চৎপাঅমদি ফিল্ম পুথোকপগী থবক লেপ্পা হায়বা খোংথাং অমা ওইনা সিনে ওফ দে হায়না ওবজার্ভেসন অমা পাংথোক্লন্নগা খাংতপ্তা লেপ্তুনা লাকখিবদু অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা নৌনা অমুক ৱারেপ লৌখ্রে।

মীফম অদুনা লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ২৯ অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা মহৌশানা চৎনরম্বা সিনে ওফ দে নৌহৌননা হিঙগৎহনবগী ওবজাভেসন হৌরগা থা খুদিংগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৌশাগুম সিনে ওফ দে মখা চৎখরগনি। ফিল্ম ফোরমগী ওইবা ইন্টরনেল প্রোব্লেম খরা লৈবনা মরম ওইদুনা সিনে ওফ দেগী ওবজার্ভেসন অসি খংহৌদনা লেপখিবনি হায়না ফোরম অসিগী চেয়ারমেন এস মঙ্গোলজাওনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোলঅমনা ফোংদোক্লি।

সিনে ওফ দে অসিদা ফিল্ম নম্বা অমসুং পুথোকপা লেপ্লগা ফিল্ম ফোরমগী লম্ফেলপাৎ শঙ্কর তকিজদা লৈবা ওফিসতা ফোরম অসিদা য়াওরিবা কন্সতিতুএন্ট গিল্ডশিংগী মেম্বর পুন্নমক্লা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিয়েল চাওখৎহনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। কনাগুম্বনা ফোরম অসিনা লৌরিবা ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা লেপ্তুনা ফিল্ম নম্বা অমদি পুথোক্লম্বা তারবদি ৱারেপ থুগাইরিবশিংগী মথক্তা দন্দী (পেনালতী) পীবা হায়নসু ইকজিক্যুতিভ কম্মিটিনা মখা তাবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

গিল্ডগী মেম্বরশিংনা মপুং ওইনা থেংনরিবা প্রোব্লেম অমদি অয়েৎ-অপননচিংবগী মতাংদসু ফিল্ম প্রদক্সন / শুতিং লেপ্লগা থা থাগী অরোইবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ দা মেম্বরশিং পুল্লগা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিজগা মরী লৈনবা এজেন্দা খন্ননবা প্রোগ্রাম শেম্লে। নুমিৎ অসিদা মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়ারনবা চেয়ারমেননা খংহল্লি। তঙায়ফদনা সিনে ওফ দেগী নুমিৎ অসিদা ফিল্ম প্রেমিয়ার / রিলিজ শোগী প্রোগ্রাম লৈবা তারবদি মাংজৌননা ফোরমদগী অয়াবা লৌবা তায় হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওঝা Mv Riyajuddin বু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা Piles গী অৱাবা, খোং হাম্বা য়াদবা, ঈ তাবা অমদি ঈ য়াওবা, চেকখাইরগা শৌজা মপান্দা থুপ্পা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা ইনশিনবা ফাওবা চংউ য়াদবা, অৱাবা নুংঙাইতবা পুন্নমক অসি ঙসিদি ওঝা Mv Riyajuddin Buyamayum , (7085494783, 9856797338) দা চত্তুনা লায়েংজরুবা অমদি মহাক্কী পাউতাক মতুংইন্না মহাক্কী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে, মতম লৈবা খিবিক্তা ওঝাবু মপুনা চানবীবা ওইসনু, মতম শাংনা মীয়ামগী শেবা তৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু ,ওঝা রিয়াজুদ্দিনবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ওঝাগী লায়েংলিবা মফমশিং ঃ- (1) Chekon Bazar, (2) Mayang Imphal Konchak Bazar (Time 8.30 am to 3.30 pm), Moreh Bazar (only Wednesday).

থাগৎচরিঃ- **Herojjit**
Konung Mamang

NT/77769/11(Sept)

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওঝা কয়ামুদ্দিনবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা এজমানা য়ান্না কন্না নাদুনা লোক কংখু খুরগা থবাক নাবা, পোৎ অরুম্বা পুবা ঙমদবা, খুৎ খোং শিথরকপা, মসলশিং চিকপা নাবা, মিহুন কা হেন্না চোংবা, শা-ঙা চারগনা হকচাং মচেৎ মচেৎ নাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, তাং তাং চিকপা নাবা, শদৌ থোংবা, থবক অৱাবা শুরুরগনা শদৌ থোংবা, ৱাখল নুংঙাইতবা খনবা য়াদবা থবাক ফুনগৎপা, হকচাং পাঙ্গল শোম্থরকপা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, স্বর হোনবা ফুনগৎলকপা, কোক ঙাওবা, স্বর শাংনা শাংনা হোনবা, থবাক খেবা, অহিং তোয়না তোয়না খেবা অমদি লোক কংখু খুবা তৌরম্বা অদু Mv. Kayamuddin Phundreimayum (# 8413870027, 8837595359) দা মতম খরা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু ঈশ্বরগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওঝা কয়ামুদ্দিনবু মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar, 7:00 am to 11:00 am, Hatta Minuthong near Traffic Signal Bazar, 12:00 to 5 p.m.

থাগৎচরিবা – **Manirajan Loukham**
Yumnam Leikai

NT/776775/11(Sept)

ꯃꯪꯂꯕ/Certificate Lost

I have lost my Original Certificate of H.S.L.C. Exam. 2012 bearing Roll No. 88161 issued by Board of Secondary Education, Manipur on the way in between my residence and Imphal on 2/8/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Anil Kumar**
Morbung Bazar
7005561441

NT/77811/11(Sept)

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL
BIRAMANGOL COLLEGE, SAWOMBUNG
MANIPUR

NOTICE

Sawombung, the 10th Sept. 2019

No.1/11/U-Ex/90/-BMC: It is notified for the information of all the students of this college that the last date of submission of complete Examination forms of BA/BSC/B.Com 1st, 3rd & 5th Semester Examnation 2019 (Nov). have been fixed as under.

1st & 5th Semester

Without fine	With fine
08/10/2019	15/10/2019

3rd Semester

Without fine	With fine
21/10/2019	26/10/2019

***Sd/-* M.Pyari Devi**
(Principal i/c)
Biramangol College Sawombung,
Manipur

NT/77810/11,12(Sept)

ꯃꯪꯂꯕ/Smart Card Lost

I have lost my Smart Card of Activa bearing Regd. No. MN01S 1444, Engine No. M559S307715 on the way in between my residence and Lilong on 08/08/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* K. Hamanta Singh**
Thoubal Bazar
7004319470

NT/77809/11(Sept)

ADMISSION CALL
for
MASTER OF SOCIAL WORK COURSE (MSW)
UNDER MANIPUR UNIVERSITY
Eligilbility : Any Graduate

For details information have visit to
THE IDEAL TEACHERS' TRAINING ACADEMY, (ITTA)
SAJIWA JAIL GATE, UKHRUL ROAD, IMPHAL EAST, MANIPUR-795010

TEACHER WANTED : M.A. - EDUCATION, PSYCHOLOOGY PHILOSOPHY, SOCIOLOGY.
Essential Qualification: A.BEd. & NET / SLET/Ph.D.
Contact No.: # 8974078083/6009036276

Sd/- Secretary
IITA

NT/77814/11(Sept)

Employment News / থবক্কী পাউ

1) 2 Boarding Bus Drivers and 2 Boarding Nurse (Rs. 8000-Rs. 12,000)
2) 2 Boarding Mothers and 2 Boarding Security (Rs. 5500-Rs. 8,000)
3) 2 Boarding Chowkidars (Rs. 6000 - Rs. 8000).
4) One Asst. Teacher for Maths, English Grammar and Manipuri (Salary-Negotiable)

NT/Nimol/11(Sept) # 7629023731/7085178130

মিং ওঞ্জরে

ঐখোয়গী ইংখোল Patta No. 273 (Old) অংশ 342/1253 (New) Kharibam Thoiba Singh Thongju Part-II বাবানা লৈখিদ্রবগী তুংদা মচানুপা অহুম 1) Kharibam Madhusing Singh, 2) Kharibam Dinesh Singh, 3) Kharibam Geetchandra Singh হায়রিবা মীংশিং অসিদা ওনশিঞ্জরে। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নুমিৎ ৫ নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলবা য়াগনি।

NT/GB /11(Sept) *Contact No: 9862729740*

[illegible] BLOCK MACHINE গী [illegible]

Class	Rate	No. of Brick	Amount	Transport Charges for Imphal area	Labour Charges	Total
1st	12.50	3000	37,500	3,200	800	41,500
		2000	25,000	2,200	500	27,700
		1500	18,750	1,600	400	20,750
2nd	12.00	3000	36,000	3,200	800	40,000
		2000	24,000	2,200	500	26,700
		1500	18,000	1,600	400	20,000
1st Reject	10.60	3000	31,800	3,200	800	35,800
		2000	21,200	2,200	500	23,900
		1500	15,900	1,600	400	17,900
Petti	10.20	3000	30,600	3,200	800	34,600
		2000	20,400	2,200	500	23,100
		1500	15,300	1,600	400	17,300
3rd	4.80	3000	14,400	3,200	800	18,400
		2000	9,600	2,200	500	12,300
		1500	7,200	1,600	400	9,200
Check tek	Canter 407		4,000	1,600	400	6,000

Brick Sample
KNS

Please contact : KNS Brick Field
Wangjing Sabal Checkon Leikai
8732847831/ 8014588329

NT/77804/10-10(Sept-Oct)


Yugam
AYURVEDA
YOUR LIVER MAY BE UNHEALTHY!
Regular Consumption of Alcohol / Allopathic Medicines / Heavy Foods Can Make YOUR LIVER UNHEALTHY & TOXIC
200 ml
Advanced Liver Protection Formula
YOUR LIVER INSURANCE
Zoliv Syrup
Zoliv Capsule
DETOXIFY YOUR LIVER with Zoliv
Syrup & Capsules
100% NATURAL & SAFE
SUGAR-FREE CAPSULES FOR DIABETICS
Take Regularly to feel the BENEFITS
NT/ZB/LIFETIME

GOVERNMENT OF MANIPUR
DEPARTMENT OF TAXES

NOTICE

Imphal, the 10th September, 2019

No. Tax/4(54)/GST-ADS/2016/206 : All the taxpayers registered under Manipur Goods and Services Tax Act, 2017 and who have applied for refund through FORM RFD-01A online and not yet submitted the hardcopy of the FORM RFD-01A are hereby informed to submit the hardcopy of the FORM RFD-01A along with the following documents:

1. Refund application acknowledgement (available from GST portal).
2. Cash Ledger statement showing credit as well as debit of the amount claimed as refund (available from GST portal).
3. Payment Challan(s) copy/copies for the claimed amount.
4. All relevant GSTR-3B & GSTR-1 copies filed from the period of liability till latest period.
5. Credit Ledger Statement from the period of liability till latest period (available from GST portal)
6. Declaration and Undertaking in the prescribed format.
7. Cancelled cheque.
8. Aadhaar copy.

The manual process of refund will be initiated only when the above mentioned documents are received by the department.

(Jaspreet Kaur)
Commissioner of Taxes, Manipur

NT/B/11(Sept)

LUWANG EDUCATIONAL TRUST
A Prominent Education Consultancy of North East India
+91 7005683347
+91 9856167106
Regd. No. 548/SR(IE)/2016
ADMISSION STARTS FOR SESSION 2019-2020
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
BETTER EDUCATION FOR BRIGHT FUTURE
MBBS ABROAD:
BANGLADESH
CHINA
NEPAL
KYRGYZSTAN
UKRAINE
KAZAKHSTAN
PHILIPPINES
PACKAGE STARTS FROM 10 LACS
STUDY IN INDIA:
# MBBS
# BDS
# BSc AGRICULTURE
# BSc HORTICULTURE
# BSc FORESTRY
# NURSING
# FISHERY
# BE/B.Tech
at DEHRADUN, CHANDIGARH, BENGALURU, GUWAHATI & ANDHRA PRADESH
# MEDICAL MICROBIOLOGY
# FORENSIC Sc.
# B.Pharm.
#TRAVEL & TOURISM
#CBZ.BPT
NT/ZB/16-25(Jun-July)
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES
FEW SEATS FOR BAMS AYURVEDIC
OFFICE OPENS ON SUNDAY TOO
Luwang Educational Trust, Palace Compound, Near Govindajee Temple Main Gate, Imphal East
NT/ZB/LIFETIME